## ‘মণিপুরগী লমখৈ কায়বা য়ারোই’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা এন এস সী এন (আই এম)গী মরক্তা হৌজিক হৌজিকমক চথরিবা লৈপাক অসিদা পিস পুরক্লবগীদমক শানরিবা ৱারী অসি চৎলিবা থা ১৮গী মনুংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়বসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং পুক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টিনা তরাম্না ওক্লি। অদুবু ৱারী শানবদা য়াওরিবা অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট পুবিরিবা কাঙবুশিংদা মণিপুর পিপলস’ পার্টি (এম পি পি)না হায়জনীংবা ৱাফমদি পিস পুরক্লবগী মিংদা ইরমদম মণিপুরগী ইপা-ইপুশিংনা ঈথেং খুজোক খুজোক কৎতুনা মণিপুরগী অশেংবা লমখৈ কঞ্জদুনা হৌরিক্লিবা নহা ঐখোয়দা শিন্নবীরম্বা মণিপুরগী লমখৈ অসি কায়বদি এম পি পিনা শুকয়া য়ারোই হায়না এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) ৱাই ভিমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## সী এম অরবিন্দ কেজ্রিৱাল মণিপুরদা লাক্লবা হায়জখ্রে ঃ এ এ পি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১(ঐচএনএস)ঃ
আম অদ্মী পার্টি (এ পি পি)গী ৱাখল্লোনবু পামজবা মণিপুরগী মীচম মীয়ামগী পব্লিক দাইলোগ অমা পাঙথোক্লবা পার্টি অসিগী নেসনেল কনভীনর অমসুং নেসনেল কেপিটেল দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালবু মণিপুরদা লাকপীনবা এ এ পি, মণিপুরগী ষ্টেট কনভীনর থৌদাম মণিহারনা হৌখিবা মার্চ ২৩দা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

এ এ পি, মণিপুরগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, এ এ পিগী নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ হাবুং পয়েং অমসুং নেসনেল ইগজিক্যুটিব মেম্বর গুরপ্রিটকী খুথাংদা চেরোল অদু পীশিনখিবনি।

পীশিনখিবা চেরোল অদুদা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ইলেক্সন অমসুং লাক্লিবা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন্দা এ এ পি, মণিপুরসু শরুক য়ানবা লোয়ননা দিল্লিগী মীয়ামগা মণিপুরী মচাশিংগা ইন্দিয়ান সিটিজনশিংগী মরক্তা শক-চুখেন্নবা লৈতবা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন হেনগৎনবা দিল্লিগী লোকেল স্কুলশিংগী সিলেবস্তা মণিপুরগী হিষ্টোরি, জিওগ্রাফি হাপচিন্নবা অমসুং হৌজিক দিলিদা লৈরিবা মণিপুর ভাৱন অনী অসি ভি ভি আই পি/ভি আই পি ঙাক্তগী ওইনা তৌবা মানবা ওইবনা মণিপুরগী মীচম কয়া দিল্লিদা তঙাইফদনা চৎপদা লৈফম চাফমগী অৱাবা থেংনরিবা অসি খরা কোক্লবা স্পেসল গেষ্ট হাউস অমা থম্বীনবা অমসুং দিলি লৈঙাকনা মণিপুরী মচাশিংবু নুংশিবা ফোঙদোকপা ওইনা দিল্লি লৈঙাক্কী থবক চঙবদা রিজার্ভেসন খরা থম্বীনবা হায়জরি হায়রি।

ৱাফমশিং অদু খন্নবীবগা লোয়ননা দিলিগী এ এ পি গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ৱাটর সপ্লাইনচিংবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা মণিপুরদসু লাকপীদুনা খন্ন-নৈনবা পব্লিক দাইলোগতা শরুক য়াবীনবা চেরোল অদুদা হায়জখি হায়রি।

ঈকায়খুম্নরিবা চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মণিপুরদা লাকপদা এ এ পি, মণিপুরগী শীন-লাংগদবা থবকশিংগী মতাংদা মীফম অমসুং পাঙথোক্লগনি। মেম্বর খুদিংমক্না শরুক য়াবীনবা নীংশিংজরি। এ এ পিবু নুংশিবীবা মীওইশিংনা দোনেসন ওইনা শেলগী মতেং পীবীরক্লিবা অসিগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎচরি। পার্টি অসিদা নৌনা মিং চনবীরক্লিবা মেম্বরশিংবুসু তরাম্না ওকচরি হায়রি।

মণিপুরগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুন্সিশিংগী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী কুমজা ২০১৫/২০১৬কী ওইনা থৌ পুগদবা মীওইশিংসু মীফম অদুদা খল্লগনি। নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ হাবুং পয়েংনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং অদু দিল্লিগী সেন্ট্রল কমিটিদা থাখিগনি। ৱাফমশিং অদু খন্ননবগীদমক্তা এ এ পি, মণিপুরগী এন্যুএল মীট অমা চাক্লেন অমা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি। য়াওবীগদবা মেম্বরশিংনা লাক্লিবা এপ্রিল ৫ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফালগী নাগামপালদা লৈবা এ এ পি, মণিপুর ষ্টেট ওফিস্তগী পাউ লৌবীয়ু হায়নসু চেরোলসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস)ঃ
বারুনি লোইখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা চীঙ্গোই লাইফম অসি শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা মীফম অমা লাক্লিবা এপ্রিল ৫গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা চীঙ্গোই লাইফমদা পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী ওইবা লাইফম অসি শেমগৎ শাগৎনবগী ওইবা মীফম অসিদা চীঙ্গোই থৌগল লূপ নোংমাইচীংগী মেম্বরশিং অমসুং লাইফম অসিবু শেমগৎনীংবা মীপুম খুদিংমক্না মতম চানা লেঙবীরক্কুনা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

চীঙ্গোই থৌগল লূপ নোংমাইচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙাইরাংবম কুলজিৎনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়,কনাগুম্বশিংনা ঈশাগী মিংদা অমসুং লৈখিদবশিংগী মিংদা লাইগী লাইশঙ শানীংবা অমসুং মান্দপ কৎপিনীংবা লৈরবদি লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট তোপ মোইরাংকম্পুদগী ৱাই শামুঙৌ, ফোন নম্বর ৯৮৬২১৯৫৮৩১, সেক্রেটরি খুরাই চিঙাংবম লৈকায়দগী এন জি কুলজিৎ, ফোন নম্বর ৯৬১৫০৮২৫৪৩, ট্রেজররতোপ অৱাংদগী টি সনাজাওবা ফোন নম্বর ৯৮৫৬৫২৯১৭৪, এদভাইজর কোংপাল চিঙাংবম লৈকায়দগী টি বিমোলচান্দ, ফোন নম্বর ৯৮৫৬৩৭৭২১৩, এদভাইজর টিনসিদ রোদতগী এন অঙৌ, ফোন নম্বর ৯৮৬২১১৩৭৭২ অমসুং মেম্বম ইম্ফালগী বাবুপরাদা লৈবা টি ইবোহল, ফোন নম্বর ৮৯৭৪১৩৫২১৯দা পাউ ফাওনবীয়ু।

## নীংশিং য়ুম্বী য়ুংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস)ঃ
শজিবু ১২নি পানবা অয়ুক্তা কান্তো সাবল ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিটিনা শীন্দুনা খুন্থোরকপা চহী ১০৬ শুবগী নীংশিং য়ুম্বী সনা কোনুং অমসুং লোকেল এম এল এ, কে ঐচ দেবেন্দ্রো, কাখলগী মাইচৌ থৌদাং লৌরিবা হোংনেমশুন্বম লাইচিংঙানবা (চন্দ্র কলা), হেরিকোনগী এদভাইজর চুরামণি, কাখলগী সেক্রেটরি জেনরেল ইংবা মঙাং য়ুম্নামচানচিংবা সিভিল ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং অমসুং অহল ওইরবা চহী ১০৩ শুরবা খুললোন্নবা সেকমাই, খুরখুল, কান্তোগী অহলশিং অমসুং ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল কয়ানা অচৌবা থৌদাং য়ামিন্নদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিটি, কান্তো সাবলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে মণিসনা মঙাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হেরিকোনগী এদভাইজর চুরামণিনা চীংগী লমদা নীংতম্না শীংয়েল চনবা, লৈত-লাইরা থিবদা অথিংবা লৈরিবসি লমখৈ য়াৎহৌদবদগীনি হায়না ফোঙদোকখি। কাখলগী সেক্রেটরি জেনরেল ইংবা মঙাং য়ুম্নামচানা পারি পুরিগী চৎন-লমদাংদা থামাইশিনখিবশিং কান্তো সাবলনা অহানবা ওইনা শাফোঙলে, পুৱারীগী কাঙলমদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা চৎহৌদ্রবদি চহী ৪/৫গী মনুংদা মৈতৈ ফুরুপ ফি য়োমদুনা চৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা সেকমাই এ সীগী এম এল এ, কে ঐচ দেবেন্দ্রোনা এম এল আর এক্ট অসি শেমদোক্তুনা চীং-তম অমত্তা ওইনবা খোঙথাং লাক্লগনি অমসুং অসিগুম্বা নীংশিং য়ুম্বীসি লমখৈ তাক্লবা মফম খুদিংদা য়ুংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

## ট্রান্সলেটর লৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ ঃ প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো, ইম্ফালগী কেজ্যুএল মণিপুরী ট্রান্সলেটর খরা লৌগদৌরি। মহৈগী থাক য়ামদ্রবদা গ্রেজ্যুএট ওইবগা লোয়ননা চহী অনীদগী তাদনা লনাই/গভর্নমেন্টকী ওফিস অমদা ট্রান্সলেসন তৌরকপা ওইগদবনি। মশানা কম্প্যুটর অমসুং ইন্টর্নেট শীজিন্নবা অমসুং মণিপুরী টাইপিং তৌবসু হৈগদবনি। মসিগী অকুপ্পা মরোল কন্টেক নম্বর ০৩৮৫-২৪৫৬১৪৩/ ৯৪৩৬০৮৬৮৭৮দগী ফংগনি। নৎত্রগা ইম্ফালগী জেল রোদতা লৈবা মসিগী ওফিস্তা মীদিয়া এন্দ কম্যুনিকেসন ওফিসারগী মিংদা চেরোল লাক্লিবা এপ্রিল ১০ ফাওবদা পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

## ওজা থাংখুলুন হাওকিপনা লৈখিদবদা মীলালনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০১(ঐচএনএস)ঃ
মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইন শিল্লোল অপুনবা লূপ (মীলাল), কংলৈপাকনা লোল, ময়েক লোইনশিল্লোনবু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কামজোং আই সী ভিলেজদগী অহল ইবুংঙো ওজা থাংখুলুন হাওকিপনা মণিপুদা লৈরিবা খুন্দামিনরিবা কাঙলূপ খুদিংমকপু ঈকায় খুম্নজরম্বা খেন্নবা থম্বীরমদনা পুম্নমকপু ইমুং অমগুম লোয়নবীরম্বনা হৌখিবা মার্চ ১৮দা মপুনা থাবীরকপা কুমশিং শুদুনা মপুগী মনাক্তা চঙজখিবগা মীফম অমা মীলালগী ময়াই লোইশঙদা লূপ অসিগী লুচিংপুরেল এস ঐস তোম্বা মঙাংনা ময়াই তাংবল লৌদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মীৎকুপ খরা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মীলাল, ময়াই লোইশঙগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন সী মৈরিকখোম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ওজা থাংখুলুন হাওকিপনা হৌখিবা ময়েক্কী খোঙজং কয়াদা হকথেংননা শরুক য়াদুনা কৈশুমশঙদা লৈবীরম্বতা নৎতনা ঈহৌ কয়াদা মণিপুর পুলিসকী চৈফু কয়া নংদুনা লায়েংশঙ য়ৌখিবা লূপ অসিগী শরু ইরবা অহল ওইরবা লুচিংবা অমনি।

অমরোমদা মীলালনা চহী খুদিংগী মহৈরোয়শিংতগী ওইবা অইবা চাংদম্নবা পাঙথোকখিবগুম হন্দক চহী ২০১৫গী ওইনসু লাক্লিবা এপ্রিল ২৬তা মহৈগী থাক ১দগী ১০ ফাওবদা কাঙলূপ ৪ থোক্না পাঙথোকনবা শেম শাবা লোইরে। মসিনা মরম ওইরগা লমদমসিদা লৈরিবা মহৈশঙ খুদিংমক্না শরুক য়াবিনবা হায়জরি। মীলালনসু মহৈশঙ পুম্নমক্তা মিংচন চে য়ৌহন্নবা লূপ অসিগী পানা খুদিংমক্তা থৌরাং পাখৎনবা শিন্নরে, কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা ময়েক অসিবু নুংশিবীবা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মীলালনা পাঙথোক্কদৌরিবা চাংদম্নবা অসিদা পীবিনীংবা ৱাখল্লোন কয়াবুসু থৌরাংনা ঙাইজরি হায়রি।

অমরোমদা সী সী পুরদা লৈরিবা মীতৈশিংনা তল্লিবা মহৈশঙশিংদা মীতৈ ময়েক্কী লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসিসু মরী লৈনবা লোইশঙনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবগী তঙাই ফদবা তাঞ্জা লাক্লে। অসুম্না চথখ্রবদি তুংদা মাঙজহৌগদৌরিবা অসি মহৈরোয়শিংতনি হায়রি।

মরম অদুনা শিন্তাপগী অৱাৎপা লৈরিবা কয়াশিং মতম চানা থৌরাং তৌহৌদ্রবদি ঈরাংতনা খুরক হাংদুনা লমদমসিদা হেন্নদুম মৈশা লাংবগী তাঙ্কক য়ৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী চাংয়েংদা মায় পাক্লক্দবা মহৈরোয় কয়া ১১শুবা থাক য়ৌরকপদা তাকপী তম্বীনবা শিন্তাকপা কয়া লৈতদুনা অচৌবা ৱাথোক ওইরকপা য়াবগী তাঞ্জা লাক্ত্রিঙৈ মীলালনা মরী লৈনবা লোইশঙ অমসুং লোইশঙগী মপুনা মাঙজৌননা থৌরাং থৌশিল পায়খৎহৌবনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়নসু চেরোলসিদা মীলালনা ফোঙদোরক্লি।



কান্তো সাবল ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কোন্তা সাবল খুন্থোরকপগী নীংশিং য়ুম্বী য়ুংবগী থৌরম পাঙথোকখিবা

## সেক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবশিং ফারে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০১(ঐচএনএস)ঃ
হৌখিবা মার্চ ৩১দা থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুন্স্ফম ওইরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১২শুবা বিহার রেজিমেন্ট অপুনবা খুৎপু অমনা উৎলৌ বামোন লৈকায়দা ওপরেসন চথবদা কে ৱাই কে এলগী এক্টিব কাদর অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, আর কে তুতুসনা, আই পি এসনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ফারবা অদুনা তখেল্লম্বম শান্ত এলিয়স ননাও এলিয়স সুনিল এলিয়স রাজেশ (৩৪) কৌই। মাঙোন্দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম য়াওবা মেগজিন অমগা লোয়ননা নাইন এম এম পিস্টোল অমা ফারে।

পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১২শুবা বিহার রেজিমেন্টকী অপুনবা খুৎপু অদুনা মখা তাবা এক্সনদা কে ৱাই কে এল ওর্গনাইজেসনগী এক্টিব মেম্বর অহুম অমসু ফারে। ফারবশিং অদুনা ফৌইজিং অৱাং লৈকায়দগী অঙোম মণিহারগী মচানুপা অঙোম মনোরঞ্জন (৪০), সেঞ্জম খুনৌ মখা লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা খুমন্থেম বিরা মৈতৈগী মচানুপা খুমন্থেম বিধু মৈতৈ (৫৭) অমসুং সেঞ্জম খুনৌ মখা লৈকায়দগী নোংমৈকাপ্পম অচৌবীগী মচানুপা নোংমৈকাপ্পম য়াইমা (৩৮) কৌই। নম্বোল পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা হৌখিবা মার্চ ৩০দা চাইরেন ময়াই লৈকায়দা ভেল্লি বেজ য়ু জি লৈরে হায়বা থাজবা পাউ অমদা য়ুন্স্ফম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২২ অসাম রাইফলসগী অপুনবা খুৎপু অমা ওপরেসন চথবদা কে সী পি (এম সী)গী এক্টিব কাদর অমা ফারে। ফারবা অদুনা চাইরেন ময়াই লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা নাওরেম শ্যামকিশোরগী মচানুপা নাওরেন জিবন (৩৫) কৌই। শুগ্নু পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়নসু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওগী চেরোলসিদা হায়রি।

## এমসুগী মপাঙ্গল কলহন্নবা মফম কয়াদা এমসুগী ব্রাঞ্চশিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১(ঐচএনএস)ঃ
ঙসি ঙসিমক ইরমদম মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক অমসুং প্রোব্লেম কয়া অসি মালেমগী চাউখৎলবা লৈপাকশিংদা পীরিবা অফবা মখলগী মতিং লৈবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অদু ঐখোয়গী মহৈরোয়শিং অসিদা ফংহল্লবদি প্রোব্লেমশিং অসি থোক্লমলোই হায়বদা অরানবা ওইরোই হায়না ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কমিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম রবিচন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়,ঐখোয়গী লৈজরিবা টেলেন্ট, পোটেন্সিএল, স্কীলশিং অসি ফজবা চাউখৎহনবা মতমদা মালেমগী মফম খুদিংদা শক খঙবা নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমা ওইবা ঙমগনি মরম অদুনা মতিং লৈবা অফবা ক্বালিটি লৈবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অদু য়াম্না তঙাই ফদবা মচাক অমা ওইরে হায়দবা হায়মনবা থোক্লোই। অফবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমা ওইবদা মহৈরোয় ঐখোয়গী য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৈ।

হায়রিবা মীৎয়েং অসিগী পান্দমদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা মালোম উৎলৌগী মায়কৈদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা মীফম অমা এমসু, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা এমসু, ময়াই লোইশঙগী মতেংগা লোয়ননা মালোম উৎলৌ ব্রাঞ্চ কৌবা অমা হাংদোকখ্রে। ব্রাঞ্চ হাংবগী মীফম অদুদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম রবিচন্দ্রনা ময়াই তাংবল লৌখি হায়রি।

ব্রাঞ্চ অসিগী প্রসিদেন্টনা নাওশেকপম সঞ্জোয়, ভাইস প্রসিদেন্টনা কাঙবম দয়াশোর, জেনরেল সেক্রেটরিনা তখেল্লম্বম ঙাম্থোই মৈতৈ অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরিনা নান্দেবম অনসোননা ওইরগনি হায়রি।

অতোপ্পা চেরোল অমদসু হায়, এমসু ময়াই লোইশঙগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নিলপদ্মা হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা হৌখিবা মার্চ ৩০গী নুংথিল পুং ২ তাবদা এমসু, ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট এন রবিচন্দ্রনা ময়াই তাংবল লৌরগা অমসুং এমসু ময়াই লোইশঙগী নেটৱার্কি এন্দ কো-ওদিনেসন সেক্রেটরি সোইবম অনিলসু য়াওনা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী অপুনবা মীফম অমদা এমসু সেকমাই ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে।

এমসু সেকমাই ব্রাঞ্চকী সেসন ২০১৫-১৭কী ওইনা থৌ পুরগদবশিংনা অবিত নাওরেমনা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্টনা লম্বাময়ুম সনাহনবী অমসুং লাইশ্রম নিরোদা, জেনরেল সেক্রেটরিনা সোইবম অমর্জিৎ, ঐচ আর দি সেক্রেটরিনা রীনা থৌদামনা ওইরগনি হায়নসু চেরোলসিদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফার্মরস এৱ্যেৰ্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচ এন এস)ঃ
ঙসি ফুমলৌ গ্রাম পঞ্চায়ট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা সেঞ্জম চাপ্রৌদা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগা এম দি এস (এগ্রি)গা খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা ফারমর্স এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম দি এস (এগ্রি)গী দিপ্যুটি দিরেক্টর এন শ্যামকিশোর, কে ভি কে, থৌবালগী প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেটর ডো. এম থোইথোই, এন তোম্বা, এম এম এগ্রোনোমী, কে ভি কে, থৌবাল অমসুং দল্লিয়ু রঘুমণিনা প্রসিদেন্ট অমসুং রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি দল্লিয়ু ইবোহলনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা হৌদোক ৱারোল পীরদুনা ফৌ লোকপা লোইখ্রগা চরুখোকনা হাংদুনা লৈরিবা লৌবুক লমহাংশিং অসিদা মতম মতম চুননবা মরু মরাং থাদুনা চীঞ্জাক মীপাল তাংদবা, মান্নবা খুন্নাই অমগী য়ুন্স্ফম থোনবদা মীপুম খুদিংমক্কী মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা অদু য়াম্না মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম দি এস (এগ্রি)গী দিপ্যুটি দিরেক্টর এন শ্যামকিশোরনা ঐখোয়না মনা-মশিং থাবদা থোকহন্নিংলিবা পোত্থোক অদু পুথোকপদা অয়াম্বনা য়ৌদে অদুনা এৱ্যেরনেস কয়া লৌমীশিংদা পীরবদি পোত্থোক অদু য়ৌগনি খনবদগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

রিসোর্স পার্সন ওইখিবা কে ভি কে, থৌবাল কো-ওর্দিনেটর ডো. এম থোইথোই অমসুং এস এম এস, এগ্রোনোমী, কে ভি কে, থৌবাল এন তোম্বানা পাম্বীদা তাবা লায়না তিলনা অমসুং পাম্বী থাবগী অচুম্বা কাঙলোনগী মরদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## এম দি পি এফনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ঃ মৈতৈনুপীলক্তগী অথোইবী মথৌনা মরিংজেল লৈবী অখাং কনবী শোরোখাইবম সোবিতা, য়াইরিপোকনা মরৈপাক মরমদম মণিপুর কন্নবগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরম্লগা ইকুই কুইদনা লৈখিদবদা মণিপুর দেমোক্রেটি পিপলস ফ্রন্ট (এম দি পি এফ)না না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবংপাল মপুগী লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা তিল্লুনবগীদমক্তা থৌনিজখ্রে অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

এম দি পি এফকী প্রসিদেন্ট ডো. জি তোনসনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা ইরৈপাক খুন্নাইগীদমক্তা খোঙ অমা ফাওবা কথোক্কুনা শোইনারবা পুন্সি মরেল অমা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দগী কুমজা ২০১৫গী মার্চথা ফাওবদা লেনখিবা অৱাবা মরেল করিসু খল্লুবা তৌদনা চহী খুদিংগী মীয়াম মমাঙদা চোংথোরক্কুনা মীয়ামদা মথৌনা মরিংজেল খঙহল্লম্বা হায়নীংঙাই লৈতেনা থাগৎনীংঙাইনি। অদুবু ঐখোয় মীৎকী পিরাং নৎতনা করিসু মতেং পাংবা ঙমখিদবদা ঙমখৈ লৈতেনা নীংঙমদবা পোল্লকই।

মহাক্কী অরোইবা মীৎকুপ খরদংগী মতমদা য়ু সী এমনা লৌখিবা শীংবা ঙল্লরোইদবা মীওইবা খুন্নাইগী ওইবা থৌদাং অমসুং মহাক্কীদমক্তা লেপখিবা ফীরেপ অদুবু খন্থ্বরগা য়াম্না ঈকায়খুম্ন জবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মতেং খরদং ওইরনবগীদমক লুপা লিশিং ১০ শেলগী মতেং ওইনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টকী খুত্থাংদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নরি হায়রি।

## হৌখিবা মার্চ ২৪দগী হৌনা চথরকখিবা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১(ঐচএনএস)ঃ
কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা), মণিপুর-উচিৱানা হৌখিবা মার্চ ২৪দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবা সেকেন্দ ফেষ্টিভেল ওফ ফোক নেরেটিব আর্টস এন্দ কংলা ঠিএটর মরাথোন, ২০১৫গী লোইশিনবগী থৌরম হৌখিবা মার্চ ২৯গী নুংথিল পুং ২ তাবদা উচিৱা খোংনাং মখোঙ লম্পাক্তা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী চ্যেরমেন ৱারেপ্পা নবানা থৌরম মপু, সোসল এক্টিভিষ্ট কোংখাম রোবিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, ইম্ফাল কোলেজগী এসোসিএট প্রোফেসার থোকচোম অশোকুমার, ইষ্টর্ন ব্লুমিং ফ্লৱার স্কুল, উখোংশাংগী প্রিন্সিপাল সরাংথেম শেনয়াই অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট ময়েংবম রঞ্জিৎনা অথোইবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াদুনা লোইশিনখ্রে হায়রি।

কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা), মণিপুরগী লিলোং চজিংদগী লাইশ্রম মণিনা জিল্লা দরবারগী মতাংদা খোংজোম পর্ব্ব মীয়ামদা খুদোল তম্বা লোয়ননা কম্পিটিসনগী মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

য়েন্থোকখিবা মনাশিং অদুদা য়াওখিবশিং অদুনা বেষ্ট প্লেদা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী ৱাকৎ, সেকেন্দ বেষ্ট প্লেদা জুবেনাইল ঠিএটরগী উরামৈ-নাখুমৈ-অই, থার্দ বেষ্ট প্লেদা ইম্ফাল ঠিএটরগী তামহল, স্পেসল জুরি এৱার্দ ওফ প্রদক্সননা শিব যত্রা কম দ্রমা এসোসিএসনগী প্লে নোংমা অমসুং লিবর্টি ঠিএটর, ককচিংগী প্লে কর্নাগী নুপীনি হায়রি।

বেষ্ট দিরেক্টরনা ৱাকৎকী এল শ্যামকিশোর, সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টরনা তাজমহলগী লোইতোংবম দোরেন্দ্রো অমসুং থাদ বেষ্ট দিরেক্টরনা উমামৈ-নাখুমৈ-অইগী ওকেন অমাকচমনি। অদুগী জুরি এৱার্দ দিরেক্সনগীনা কর্নাগী নুপীগী উতমকুমার নাওরেমনি। বেষ্ট স্ক্রিপকী ৱাকৎ প্লেগী মণি য়ুম্নাম, বেষ্ট এক্টরনা ৱাকৎ প্লেগী থোংজু নবা, বেষ্ট এক্ট্রেসনা ৱাকৎ প্লেগী মোইরাং লৈমা চনু, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরনা অতোম্বী প্লেগী রঞ্জিৎ, বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসনা অতোম্বী প্লেগী কুঞ্জলৈমা, বেষ্ট চাইল্ড এক্ট্রেসনা ৱাকৎকী ইরাইলৈমানি হায়রি।

বেষ্ট মেক-অপনা উরামৈ-নাখুমৈ-অইগী য়মুনা অমসুং শর্মিলা, বেষ্ট লাইটনা ৱাকৎ প্লেগী এল রতনকুমার, বেষ্ট ম্যুজিকনা উরামৈ-নাখুমৈ-অই প্লেগী হৈস্নাম তোম্বা, বেষ্ট ষ্টেজনা থেংগুগী ৱায়েলগী এন সান্টোস, স্পেসল জুরি এৱার্দ ওনরনা এলাংবম জয়চন্দ্র, দিরেক্টর স্পেসল জুরি ওনর এৱার্দনা এম সাবিত্রি এক্ট্রেস অদুগা লাইরেম্বী আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী প্লে ফোইদোং লমিৎচুম্বীদা প্রিজার্ভেসন ওফ ফোক প্লে অমসুং য়ুঠ কলচরেল আর্টিষ্ট এন্দ ক্রাফ এসোসিএন্দা প্রিজার্ভেসন ওফ গীতিনাটক এৱার্দ পীখি। লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা)গী ওক্তবী লীলা উক্তুনা সেকেন্দ ফেষ্টিভেল ওফ ফোক নেরেটিব আর্টস এন্দ কংলা ঠিএটর মরাথোনগী থৌরম অদু চিং লেম্না লোইশিনখি হায়রি।

## শওম্বুং ভিলেজ কমিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ঃ ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈরিবা লৌমীশিংগী ভারটিয়া কিষান সঙ্ঘ প্রান্ট মণিপুরগী পুন্না ফম্মিন্নদুনা খুঙ্গংগী লৌমীশিংগী ওইরিবা খুদোংচাদবশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ প্রন্ট মণিপুরগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ, শওম্বুং ভিলেজ কমিটি অমা শেম্বদা বি কি এস, মণিপুরগী জেনরেল সেকেটরি নিংথৌজম শ্যামচান্দনা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা কমিটি অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা মথংশিৎনা ৱাই চাউবা অমসুং সাপম বীজয়বু চহী অহুমগী থৌ পুনবা খনখ্রে।

থৌরম অদুদা বি কে এস প্রান্ট মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন)না লৌমী মীয়ামদা লূপ অসিনা তৌগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরিক চম্না পাউদমখি। লূপ অসিদি নন-পোলিটিকেল ওইবা পোলিটিক্স অমত্তগা মরী লৈনদবা,লৌমীশিংতগী ওইবা লূপ অমনি। লূপ অসিনা খুঙ্গংগী লৌমীশিংগী ৱার্ক কলচর অমা শেমগৎনবা অমসুং লৌমীশিংগী মিংদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা মীওইশিংদগী কলহৌনবা হোৎনগনি হায়রি।


লূপ অসিনা জয় কিষান জয় ভারত হায়বগী পান্দমদা লৌমীগী ফীভম ফগৎলবতদা লৈপাক অসিগী চাউখৎপা পুরক্কনি। লৌমীশিংতনা লৈপাক অসিগা সোভরেন্টি ঙাক্কনি। মরম অদুনা লৌমীশিংগী অহেনবা বজেট হাপকদবনি অমসুং ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা কে ভি কেদা অখন্নবা প্রোজেক্ট থমগদবনি হায়রি।

হান্নগী অরিবা লৌউ পথাপ অসিনা লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎপা ঙমদ্রিবা অসি কোক্লবা অনৌবা লৌউ পথাপ অমসুং টেক্নোলোজিসিং পীনবা ইন্দিয়া দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা কে ভি কেশিং অসিগা খুঙ্গংগী লৌমীশিংগা খুৎশম্নহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা অওনবা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা শাগৎনবগীদমক অপুনবগী খোল্লাও অমগা লোয়ননা মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নসি হায়না মণিপুরগী লৌমী মীয়ামদা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ঃঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটিগী ওফিস্তা ষ্টাফ ওইরম্বতা নৎতনা কোংগ্রেস সেবাদলগী মেম্বরসু ওইরম্না পুংদোংবম ময়াই লৈকায়, লম্লাইদা লৈবা অথোকপম বিনোয়না ইখঙ খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি অমসুং ওফিস ষ্টাফশিংনা কোংগ্রেস ভাৱন্দা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবাঅৱাবদসু থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজরি অমসুং লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়না মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়না মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-1701




**ACROSS**

7 Brainy (11)
8 Gas used in balloons (6)
9 Capital of Cuba (6)
10 Source (6)
12 Menace (6)
13 Female ox (3)
14 Portuguese currency unit (6)
16 Interior (6)
18 It's built by a spider (6)
20 Hinder (6)
22 Ungenerous behaviour (11)

**DOWN**

1 Broad (4)
2 Cord (6)
3 Spanish music (8)
4 Nearly (4)
5 Dam-building animal (6)
6 Criterion (8)
11 Reply (8)
12 Dusk (8)
15 Ailing (6)
17 Late meal (6)
19 French cheese (4)
21 Measure of medicine (4)

Solution 1700



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1509

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | 2 | | 6 | 5 | | 4 | |
| 8 | | | 3 | | | | | |
| | | 4 | | 1 | | | | 5 |
| | | 7 | | | 3 | 6 | | |
| 6 | | | | 5 | | | | 1 |
| | | 3 | 6 | | | 4 | | |
| 2 | | | | 3 | | 5 | | |
| | | | | | 7 | | | 8 |
| | 1 | | 4 | 8 | | 3 | | 2 |

Solution-1508


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 5 | 3 | 6 | 8 | 7 | 9 | 4 |
| 8 | 3 | 4 | 7 | 5 | 9 | 2 | 1 | 6 |
| 6 | 7 | 9 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 | 8 |
| 1 | 9 | 3 | 5 | 8 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 | 1 | 8 | 7 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 1 | 2 | 9 | 3 | 5 |
| 9 | 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 |
| 3 | 4 | 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 |
| 7 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

m\licjg DUTTA CLINIC m\licjg

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

অঙৌবা পকপা :



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্তা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্তা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

rGf smgegd
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2207/23/2-22/3